*স্পেস দিপ্লোমেসি ঃ*

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভুতানদা সাউথ এসিয়া সেটিলাইট গ্রাউন্দ ষ্টেসন হাংদোকখ্রে





***বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবগী মতুং ভুতানদা চৎপা মহাক্কী অনীশুবা খোঙচৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অতৈ থবক থৌরম কয়াগী মনূংদা ন্যু দিল্লিগী 'নাইবরহুদ ফাষ্ট পোলিসি' অদু খূৎমাঙ চাওশিনহন্দুনা ইন্দিয়াগী সাউথ এসিয়া সেটিলাইট (এস এ এস)কী শরুক অমা ওইনা থিমপুদা সেটিলাইট গ্রাউন্দ ষ্টেসন অমা হাংদোকখ্রে।

২০১৭ মে ৫তা হৌদোকখিবা সাউথ এসিয়া সেটিলাইট (এস এ এস) অসি ন্যু দিল্লিনা মসিগী য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিং– ভুতান, অফগানিষ্টান, বাংলাদেস, মালদিবস, নেপাল অমসুং শ্রীলঙ্কাদা মখোয়গী মথৌ তাবশিংগীদমক ইন্দিয়াগী সেটিলাইট শিজিন্নবা ফংহন্নবগী খুদোল অমনি।

লেন্না সেটিলাইট সার্ভিসশিং ফংহনবতা নত্তনা ইন্দিয়ানা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদসু মতেং পাংলি। ইনফ্রাষ্টকচরশিং অদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, টিভি ব্রোদকাষ্ট সার্ভিসেস, মেটিওরোলোজিকেল দাটা, টেলি–এদুকেসন, টেলি – মেদিসিন নচিংবগী হিরমশিংদা শিজিন্নবা ফংহনগনি।

অদুগা পূক্নিং থিংজিন্নিঙাই ওইরিবা অমদি, মসি পূন্নমক অসি বেঙ্গলুরুগা অকনবা মরী অমা লৈনরি। বেঙ্গলুরু সিটিদা হেদক্বার্টর ওইরিবা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো)না সেটিলাইট অদু থাগৎপা অমসুং শার্ভিসশিং পীবতা নত্তনা এস এ এস প্রোজেক্ট অসিনা মোদিগী অতোপ্পা অখন্নবা থৌরাং, মেক ইন–ইন্দিয়া পুখৎনবসু হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হাংদোক্লিবা গ্রাউন্দ ষ্টেসন অদু অলফা দিজাইন টেক্নোলোজিজ লিমিটেদ (এ দি টি এল) কৌবা বেঙ্গলুরু ফার্ম অমনা ইনষ্টোল তৌখিবনি।

ঐখোয়না লিংখৎলিবা গ্রাউন্দ ষ্টেসন অসি ঐখোয়গী সাউথ এসিয়া সেটিলাইট প্রোজেক্টকী এক্সটেন্সন অমনি। ভুতাননা সার্ভিসশিং অসি মেক্সিমম কেপাসিটিদা করন্না শিজিন্নবগে হায়বা উবদু ঐখোয় তশেংনমক নুংঙাইগনি হায়না ইশ্রোগী চিয়ারমেন কে সিবননা এজেন্সিদা হায়খি।

থিম্পুদা দি আই টি টি কেম্পসতা গ্রাউন্দ হব ষ্টেসন অদুগী ইনষ্টোলেসন অমসুং কমিসনিং য়াওনা থবক অদুগী স্কোপ অসি ভুতান শিনবা থুংনা মফম ১১০দা রিমোট ভি এস এ টি টর্মিনেলশিং লিংখৎপা, মফম ৫০দা রিসিপ–ওনলি টর্মিনেল লিংখৎপা অমসুং পোর্টেবল টর্মিনেল ৫ লিংখৎপা য়াওরি।

ঐখোয়না নেটৱার্কঅদু মায় পাক্লা লিংখৎলে অমসুং মপূং ফাখ্রে। ২০১৯ জনুৱারিদা থবক চৎথবা য়ারে লাওথোকখ্রে হায়না রিটিয়ার কর্নেল ঐস এস শঙ্কর সি এম দি, এ দি টি এলনা এজেন্সিদা হায়খি।

# পাকিষ্টান–চিনানা জে এন্দ কে ইন্টরনেসনেলাইজ তৌনবা হোৎনরকখিবা অদু য়ু এনদা মায়থিখ্রে

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা কাস্মিরগী মতাংদা তাঙনা পাংথোকপা ক্লোজ–দোর কন্সলটেসনশিং অদু য়াম্লবা মেজোরিটি অমনা ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদকগী মরক্তা লৈনবা হিরম অমনি হায়দুনা ৱাথোক অদু ইন্টরনেসনেলাইজ তৌনবা পাকিষ্টান অমসুং মসিগী মতম পুম্নগী খোঙলোই চিনানা হোৎনরকখিবা অদু শাথিনা মায়থিবা পীদুনা শক্তি লৈরবা লৈবাক ১৫গী য়ু এন বোদি অদুদগী করিগুম্বা ফল অমত্তা ফংদনা অমসুং ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোক্তনা লোইশিনখ্রে।

চিনানা হায়জরকখিবা ইনফোর্মেল ওইনা খন্নখিবশিং অদু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পূং অমা রোম শাংনা চথখি।

য়ু এনদা বৈজিংগী এম্বেসেদর ঝাং জুন অমসুং পাকিষ্টানগী য়ু এন এনভোই মালীহ লোধিনা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা মেদিয়াদা ৱা খরা হায়রম্লগা মথং–মথং থোকখি। অনী অদুনা পাউমীশিংদগী হংলকখিবা ৱাহং অমত্তা লৌখিদে।

খন্নখিবা অদুগী মতুংদা অগষ্ট থাগী সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী প্রিসিদেন্ট পোলেন্দনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লবা চিনানা তকশিলমখি। মদু য়ু কেনসু শৌগৎখি। অদুবু য়ুনাইটে নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিল প্রিসিদেন্ট ওইনা পোলেন্দদগী করিগুম্বা অমত্তা হায়দনা ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোক্তনা লোয়শিনখি।

ষ্টেটমেন্ট নৎত্রগা করিগুম্বা অমত্তা থোক্লোইদবনি হায়না মেম্বর ১৫ অদুগী মেজোরিটিনা হায়খি। য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংগী মেম্বর অয়াম্বনা কাস্মির অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা বাই–লেটরেল ইসু অমনি হায়খি।

মসি মখোয় মশানা লোয়শিনবগী মথৌ তাই। ৱফম অসিমক্তিঃ কাশ্মিরবু ইন্টরনেসনেলাইজ তৌনবা ইস্লামাবাদনা হোৎনরিবা অদুদা অচৌবা চৈফু অমনি।

ভেটো পৱার পায়বা পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইবা অমা ওইরিবা চিনানা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমা ফন্নবা হায়রকখি। য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিল প্রোসিদিওরশিংগী মতুং ইন্না কাউন্সিল মেম্বরশিংনা খন্ননবা হিরম অমা পুখৎনবা হেক্তা হায়রকপা য়াই। মেম্বর খুদিংমক্না করিগুম্বা খরা নৎত্রগা অতোপ্পা অমা পুখৎনবা হায়রকপা য়াই। অসিগুম্বা ক্লোজ দোর কন্সলটেসনশিংগী ফিভম অদুদি রেকোর্দস নৎত্রগা মাইনটস অমত্তা থমদে।

য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ক্লোজ–দোর প্রোসিদিংশিং অদুগী মতাংদা খঙবা লিখুল খরনা ফোঙদোকপদা খন্নখিবা অদুদা য়েৎলকখিবশিং অদু ইন্দিয়ানা মচেৎ–মচেৎ তানা থুগাইবা ঙমখি হায়রি। ইন্দিয়াগী ফিরেপতি য়াম্না ময়েক শেংখি– সোভরেন নেসন অমগী কনষ্টিট্যুসনেল ওইবা ৱাফম অমবু করন্না পাকিষ্টাননা হায়রিবা অদুগুম্না পিছ এন্দ সেক্যুরিটিদা অকিবা পীবা অমা ওইগদৌরিবনো ?

ফেদরেল এরেঞ্জমেন্ট অমনা ঙমখৈগী ৱাংমগীদমক করন্না অকাইবা অমা ওইগদৌরিবনি হায়খি হায়না লিখুলশিং অদুনা হায়খি।

মীফম অদু কৌনবগী অহানবা খোঙথাংমক্তদা মদু চিনানা থিংলম্বা য়াবনি। অদুবু কাউন্সিলনা করি হায়রকপা য়াবগে য়েংনীংদুনা মখূৎ লেঙলুবদগী হৌজিক চিনা লোয়নমক মায়থিরে হায়না লিখুলশিং অদুনা হায়রি।

সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা মেম্বর ওইরিবা আফ্রিকাগী লৈবাকশিং – কোটে আইভোরি অমসুং ইক্বেটোরিয়েল গিনিয়া, দোমিনিকান রিপব্লিক, জর্মনি, য়ু এস, ফ্রান্স অমসুং রসিয়া পূন্নমকসিনা ইন্দিয়াবু শৌগৎখি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহমুদ কুরেসিনা মীফম অদুদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ অমা শরুক য়াবা য়াহন্নবা হায়জখি। অদুবু খন্নগদৌরিবশিং অদু সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৫গী মনূং খক্তদা খন্নগদবনি। পাকিষ্টাননা হায়জরকখিবা অদু য়াখিদে।

ক্লোজ–দোর মীফমশিং মীয়াম য়াওহনবা য়াদে খন্নখিবশিংগী রেকোর্দ থমদে।



# অরুন জেটলি এইমসতা লাইফ সপোর্টতা লৈরি, নিটিশ, পিয়ুশ গোয়াল, অভিসেক, জ্যোতিরদিত্যা, ময়াবতিনা লাক্কুনা হংলখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা হৌজিক লাইফ সপোর্ট সিষ্টেমদা থম্লিবা হান্নগী ফাইনান্স অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিগী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়াল অমসুং কোংগ্রেস লিদরশিং–অভিশেক সিংহবি অমসুং জ্যোতিরদিত্যা সিনধ্যা অমসুং উত্তর প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং বি এস পি চীফ ময়াবতিনচিংবা পোলিটিসিয়ান কয়ামরুন্না ঙসি হোস্পিটাল অসিদা লাকখ্রে।

অরুন জেটলিগী হকচাংগী ফিভম হংনবা হোস্পিটাল অসিদা লাকখিবা অতৈ শক্লাইরবা মীওইশিংদি য়ুনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্টর হর্শ বরধন, বি জে পিগী সতিশ উপধ্যায় অমসুং এয়ার চীফ মার্সেল বিরেন্দর সিংহ ধনোৱানচিংবা য়াওরি।

মশাগী চহী ৬৬শুরবা লূচিংবা অসি লাইফ সপোর্ট সিষ্টেম পীদুনা থম্লি অমসুং দোক্তরশিংগী মলটি দিসিপ্লিনরি টিম অমনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম কুপ্না য়েঙশিন্দুনা লৈরি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

বি এস পি চীফ অমসুং উত্তর প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ময়াবতিনা ঙসি এইমসতা লাক্কুনা হান্নগী ফাইনান্স অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অসিগী হকচাংগী ফিভম হংলখি।

ঐহাক্না মহাক্কী ইমূং–মনূংগী মীওইশিংগা উন্নরকই অমসুং মখোয়বু ৱাদনবা ৱাখল ঈংথনবা ৱারী শান্নরকখি অমসুং মহাক্কী হকচাংগী ফিভম থুনা ফগৎলক্নবা তাইবং মপুগী মফমদা খুরুমজখি হায়না ঙসি থাংজগী নুংথিল পূং ১রোম তাবদা ময়াবতিনা ত্বিইট তৌরকখি।

য়ুনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্টর হর্শ বরধননা –এইমসতা দোক্তরশিংনা মখোয়না হেক ঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনরি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ, য়ু পি চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যা নাথনা ঙরাং হোস্পিটাল অসিদা লাক্কুনা লূচিংবা অদুগী হকচাংগী ফিভম য়েংশিল্লখি।

অগষ্ট ১০গী মতুংদগী অরুন জেটলিগী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অসিনা বুলেটিন অমত্তা থোক্লকখিদ্রি। শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা অমসুং পোত্থাফম খঙদে হায়বদগী আগষ্ট ৯দা অরুন জেটলি এইমসতা লায়েঙলকখিবনি।

চহী অসিগী মে থাদসু লায়েঙনবগীদমক মহাক এইমসতা লৈখ্রে।



# পাকিষ্টানগী অতোপ্পা মায়থিবা অমদসু য়ু এসনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৪০গী শেনগী তেংবাং ককথৎখ্রে



***ৱাসিংটন, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
পাকিষ্টানগী অতোপ্পা অচৌবা মায়থিবা অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তেংবাং ওইনা পীগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৪০ রোমগী শেনফমগী তেংবাং অদু ককথৎখ্রে।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ৱাসিংটনদা চৎনবগী মহাক্কী থৌরাংগী চয়োল ৩গী মমাঙদা তেংবাং কক্নবগী য়ু এসকী ৱারেপ অদু মঙোন্দা খঙহনখি।

শেনগাও কংলবা লৈবাক অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৪০ রোম ককথৎখিবা অদুনা হৌজিক য়ু এসনা পাকিষ্টানদা পীনবা লেপখিবা শেনফম অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.১দা হন্থরকখ্রে।

তেংবাং অদু পাকিষ্টান এনহেন্স পার্টনরসিপ এগ্রীমেন্ট (পি ই পি এ) ২০১০গী মখাদা য়েম্থোক্লদবনি।

চহী ৫গী মতমগী মনূংদা পাকিষ্টানদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৭.৫ য়েনথোক্লবা য়ু এস কোংগ্রেসনা ওক্টোবর ২০০৯দা পাস তৌখিবা কেররি লুগার বরমন (কে এল বি) এক্ট অদু থবক্তা ওম্থোক্লবা পি ই পি এ অদু সেপ্টেম্বর ২০১০দা সহি তৌনখিবনি।

হান্নদি কে এল বিগী মখাদা পীবা তেংবাং অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ লোম ওইরম্মি। ককথৎখিবা অদুগী মতুংদা তেংবাং অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.১ হন্থরগনি। হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদসু ইস্লামাবাদনা টেরোরিজম লাকশিনবা ঙমদবগী মরমদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মিলিটরিনা পাকিষ্টানদা পীবা শেনগী তেংবাংদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ ককথৎখি।

চহী অদুগী জনুৱারিদা পেন্টাগোননা হক্কানি টেরর গ্রুপকী মথক্তা ইস্লামাবাদনা থবক লৌখৎপা ঙমদবগী মতাংদগী পেন্টাগোননা দোল্লর বিল্লিয়ন ১গী শেনগী তেংবাং ককথৎখি হায়না ফোক্স ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

হৌখিবা থাদা পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা মহাক্কা উন্নখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইস্লামাবাদপু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্কুনা চৈখি।

ঐখোয়না চহী কয়ামরুম তেংবাং ওইনা পাকিষ্টানদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩ পীদুনা লাক্লি। লৈরিবা ৱাথোক্তি– পাকিষ্টাননা ঐখোয়গীদমক করিগুম্বা অমতা তৌবিরক্ত্রি। মখোয় তশেংনমক মঙক কল্লি, ঐখোয়গী মায়োক্তা মখোয়না থবক তৌরি। ঐহাক্না চহী অমা মখাইরোমগী মমাঙদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩গী তেংবাং অদু লেপফনখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা মহাক্কা উন্নখিবা অদুদা ট্রম্পনা হায়খি।

# কাশ্মিরগী মফম খরদগী অথিংবশিং লৌথোকখ্রে, টেলিফোন লেন্দলাইন ৫০,০০০ হেন্না অমুক য়াহনখ্রে




***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অদুগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদা অকনবা অথিংবশিং থম্লকখিবা চয়োল ২গী মতূংদা কাশ্মির তম্পাক্কী মফম খরদা অথিংবশিং অদু কোমথোকখ্রে অমসুং লেন্দলাইন টেলিফোন কনেক্সন ৫০,০০০ রোম হেন্না অমুক হন্না য়াহনখ্রে।

হৌজিক্কী ওইনা তম্পাক অসিগী মফমশিংদা মশীং য়াম্না মী পূনবা য়াদবগী অথিংবা অদু কোমথোক্লে হায়না ষ্টেট পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক মখা তানা চেকশিন্না ঙাকশেল্লি।

জম্মু রিজনগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা মোবাইল ইন্টরনেট কনেক্সন য়াহনখ্রে।

কাশ্মিরদা টেলিফোন একচেঞ্জ ১০০ হেনবগী মনূংদগী ১৭ অমুক হন্না থবক তৌবা হৌখ্রে। ময়াই থংবা কাস্মিরগী বদগাম, সোনামার্গ অমসুং মনিগাম এরিয়াশিংদা লেন্দলাইন সার্ভিসশিং হান্নগী ফিভমদা য়াহনখ্রে।

অৱাং কাশ্মিরদসু মফম কয়ামরুমদা সার্ভিস অমুকহন্না য়াখ্রে। শ্রীনগরদসু টেলিফোন একচেঞ্জ ২০ হেন্না থুনমক অমুক হন্না থবক তৌহল্লগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং মখা তানা থমখিগনি, লম্বীশিংদা বেরিকেদশিং লৈখিগনি অদুবু মখোয়গী চে–চাংশিং চেক তৌরবা মতুংদা মীয়াম চথোক–চৎশিন তৌবা য়াহনগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা অকায়বা থৌদোক–ৱাথোক থোকপগী পাউ লৈতে। পব্লিক ট্রান্সপোর্ট চেনবা হৌখ্রে। খূঙ্গংগী লমদম ময়াম অমদগী মহৌশাগুম চথোক–চৎশিন তৌবগী পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা পাউশিং ঐখোয়না ফংলে হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি রোহিত কনশালনা হায়খি।

লৈরিবা ফিভম নৌহৌনা য়েংশিল্লবা তূংদা হায়–স্পীদ (৩জি, ৪জি) মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসশিং অমুক য়াহনগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঙসি অয়ুক শ্রীনগরগী সিভিল লাইন্স এরিয়াশিংদা দুকান খরা হাংখি। অদুম ওইনমক ফুয়েল ষ্টেসনশিং য়াওনা ব্যুজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট অয়াম্বা থোঙ লোন্দুনা লৈখি।

# য়ু এসনা ফাজিন্দুনা থন্নবা হোৎনরবসু গিব্রালটরনা ইরান ওইল টেঙ্কর থাদোকখ্রে

***গিব্রালটর (য়ু কে) ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
ইন্টরনেসনেল সেঙ্কসন্স থুগাইবা মওংদা লানগী অমাঙ–অতা থোক্লবা সিরিয়াদা থাও পুরকপগী চিংনৈ হায়দুনা ফাখিবা ইরানগী সুপর টেঙ্কর অদুবু ফাজিন্দুনা থন্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হোৎনরকখিবা অদু থওইদনা গিব্রালটরগী সুপ্রিম কোর্টনা ইরানগী সুপর টেঙ্কর অদু থাদোকখিনবা শগোলশেল নুমিৎতা ৱায়েল তাখ্রে।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন সেঙ্কসনশিং থম্লিবা লৈবাকশিংদা গ্রেস ১ অদুনা চৎলরোই হায়না ইরানদগী অইবা থাজবা ফংলে হায়না গিব্রালটরগী গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতূং ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

গ্রেস ১ মখা তানা দিটেন্সনগী মখাদা লৈত্রে হায়না চীফ জষ্টিস এন্থোনি দুদলিনা হায়খি।

সিরিয়াদা লৈরিবা অসাদ রেজিমবু ঐখোয়না দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪০ হেনবগী ক্রুদ ওইল ফংহন্দ্রে হায়বা ষ্টেটমেন্ট অমদা গিব্রালটর চীফ মিনিষ্টর ফেবিয়ান পিকারদোনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুবু থাগৎখি।

কোর্টকী ৱায়েল লাওথোক্কদবা পূং খরগী মমাঙদা বৃটিস ওভরসিজ টেরিটোরি অদবু ইরানগী জহাজ অদু ফাজিন্দুনা থন্নবা দিমান্দ তৌদুনা য়ু এসনা অরোইবা মীৎকুপগী আইনগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকখি।

ইরানগী জহাজ অদুবু ফাজিন্দুনা থন্নবগী অরোইবা মীৎকুপকী য়ু এসনা হোৎনরকখিবা অদুগী মতুংদা লন্দনগা টেহরানগগী মরক্তা লৈরম্বা উংখৎনবশিং কোকহনবা ঙম্লগদবা খোঙথাং অমদা গিব্রালটরনা ফারিবা ইরানগী সুপরটেঙ্কর অদু বৃটিস টেরিটোরি অদু থাদোক্কুনা চৎখিবা য়াহনখ্রে। ৱাসিংটনগী খোঙথাং অদুনা ইরানগী জহাজ অদুগী মরাইবক্কী মতাংদা কোর্টকী ৱারেপ অদু মতম থেংথহনখি। অদুবু মহাক্না য়ু এসতগী অইবা হায়জরকপা অমা ফংখিদে হায়না মাগী ৱায়েল অদুদা সুপ্রিম কোর্ট চীফ জষ্টিস দুদলিনা হায়খি।



# পাকিষ্টাননা কাপশিল্লকপদা লান্মী ১ শিখ্রে


***জম্মু, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্তা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংদা লৈবা ফোরৱার্দ পোষ্টশিং অমসুং খূঙ্গংশিংদা পাকিষ্টাননা মোর্টর সেলশিং অমসুং অপিকপা খূৎলাইশিং কাপশিল্লকপদা ঙসি আর্মিগী লান্মী অমা শিখ্রে হায়না দিফেন্স ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এল ও সি পরিংদা মখোয়গী পোষ্টশিংদা ইন্দিয়ান ট্রুপশিংনা কাপশিল্লকপদা মখোয়গী লান্মী ৪ শিরে হায়না পাকিষ্টাননা ফোঙদোকখিবগী নুমিৎ নীনিগী তূংদা খ্বাইদগী অনৌবা ওইনা সিজফয়ার থুগাইরকখিবনি।

# মচানুপা হাৎপীখিবা মতূং মপা হূ চারগা শিজখ্রে

***জয়পুর, ওগষ্ট ১৭(এজেন্সি)ঃ***
রাজস্থানগী অলৱার দিষ্ট্রিক্তা মহাক্কী মোটোরসাইকলনা নুপী অমদা থেঙ্গাইরুবদগী মী খূৎপু অমনা ফুরগা হাৎপীখিবা দলিত নহা, হরিস (২৮)কী মপা অদু শগোলশেল নুমিৎতা হূগুম্বা পোৎশক অমা থক্লগা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। মচানুপা অদু জুলাই ১৯দা শিখিবনি। মহাক্কী ইমূং মনূংনা কম্পেনসেসন পীনবা অমসুং ইমূংগী মীওই অমা থবক ফংহন্নবা দিমান্দ তৌখি। থা ১ হেল্লবা ফাওবা চেন্নবা মীওই অদু ফাদবদগী নীংবা কায়দুনা মপা রাতিরাম জাতব শিজখিবনি হায়রি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-216**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | 5 | 7 | | | | 6 | |
| | | | 3 | 5 | | 8 | 4 | |
| | 7 | | | 9 | 6 | | | 1 |
| 6 | 9 | | | | | 7 | | 5 |
| 7 | | | | | 5 | 4 | | 3 |
| 5 | 4 | | | | 7 | | | 6 |
| | 3 | 6 | 5 | 4 | | | | |
| 4 | | | | 7 | | | | 9 |
| | | 7 | 6 | | | | 5 | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking :30/07/19
Sl. No. : 5500
Valid : 27/07/19
Sl. No. : 4762
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 21/07/19
Valid : 17/07/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 540, 5 & 19kg available
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 10/08/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Loktak Indane, Thanga**
Booking : Up to Date
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**সনা–সুদোকু – ২১৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 9 | 3 | 8 | 2 | 6 | 5 | 1 |
| 2 | 1 | 6 | 7 | 4 | 5 | 3 | 8 | 9 |
| 5 | 8 | 3 | 6 | 9 | 1 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 9 | 8 | 2 | 4 |
| 3 | 4 | 1 | 2 | 5 | 8 | 7 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 8 | 4 | 6 | 7 | 1 | 3 | 5 |
| 1 | 9 | 7 | 5 | 2 | 3 | 4 | 6 | 8 |
| 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 4 | 9 | 1 | 3 |
| 8 | 3 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 7 | 2 |